# ‘লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা থবক তৌরিবশিংনা পুকচেল শেংনা মীয়ামগী মতেং পাঙগদবনি’

ইম্ফাল,ওগষ্ট ৩০ (এস এন এস)ঃ
লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা মীয়ামগা অচেৎপা মরী থন্নদুনা মীনুংশিগা লোয়ননা মীয়ামগী মতেং পাঙগদবনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী রেভিন্যুগী মিনিষ্টর করাম শ্যামনা লম্ফেল সব–দিভিজনগী লেন্দ রেভিন্যু কল্লেক্সনগী দিজিটেল পেমেন্ট সিষ্টেম হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

লম্ফেম পাৎতা লৈবা দি সি ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, মতমগী মতুং ইন্না অনৌ অনৌবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নবা অসিনা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা হেন্না খুদোং চাহল্লি অমসুং খুমাঙ চাউশিলহল্লি। অদুবু মেছিনশিং অসিবু ওপরেট তৌগদৌরিবা অসিদি ইমপ্লোইয়ীশিং অসিনি। মরম অসিনা লাইরিক লাইশু হৈজদবা মীয়ান্না লাকপা মতমদা হরাও–হরাও মখোয়গী মতেং পাঙবীবা মথৌ তাই।

হন্দক চহী ১ / ২ টেক্স থিরকপগী চাং য়ান্না ৰাংখৎলে হায়রিবসি অফবা খুদম অমনি। মীয়ামদসু টেক্স থিদোকহন্নীংবগী ৰাখল্লোন অমা পোকহনবা মথৌ তাই। ওফিসতা শুম ফন্নগা মীয়ান্না টেক্স থিরকপা ঙাইদুনা লৈবগী মহুত্তা ফিল্ডদসু চৎলগা মীয়ামগা হকথেংননা উন্নদুনা টেক্স খোম্বা চৎপগীসু তঙাই ফদবা লৈ।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরগী ওইনা লেন্দ রেভিন্যুগী চৎনরিবা মওং অসি হোংদোকপগী তঙাইফদবসু লৈতবা নত্তে। হীরম অসিগী মতাংদা মীয়াম অফবা কন্সট্রক্টিভ ওইবা ৰাখল্লোন ফোঙদোকপীরকপদা লৈঙাক অসিনসু তরান্না ওক্কনি। দি সি ওফিস অসিগী ৰাৎলিবা ষ্টাফশিংসু অথুবা মতমদা হাপচিন্নবা হোৎনরগনি। মসিদসু নত্তে ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা অৰাৎপা কয়া লৈরিবা অসিসু মেনখৎনবা কন্না হোৎনরি। মসিদা ওফিস অসিদা লৈরিবা ওফিসারশিং ইমপ্লোইয়ীশিংনসু কো–ওপরেসন পীনদুনা পূন্না থবক তৌমীন্নসি হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা লম্ফেলগী এস দি ও, ডা. এম ভেতোনা হায়, ঙসিদগী হৌদোক্লিবা প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা হান্না শেল ওইনা থিনরম্বা অদু ক্রেদিট কার্দ, দেবিট কার্দ, পান, গৃগল পেনচিংবশিংগী খুত্থাংদা কেশলেস ওইনা থিংবা হৌরগনি। মসিনা হান্না জিলাদারশিংগী মখূৎতা শেলশিং কুইনা নমশিন্দুনা লৈখিবগী খুদোংচাদবা কয়া অদু কোকহল্লগনি। ঐচ দি এফ সি বেঙ্ককী মখাদা দেদিকেটেদ ওইনা হাংলিবা একাউন্ট অসিদা মীয়ান্না থিরকপা রেভিন্যুগী শেনফমশিং অদু চঙগনি। হায়রিবা শেনফমশিং অসি নুমিৎ ১৫ খুদিংগী মণিপুর গভর্ণমেন্টকী একাউন্টতা ট্রান্সফর তৌগনি। হায়রিবা সিষ্টেমসিনা ষ্টাফশিংদা কেশ হেন্দল তৌবগী চাং হন্থহন্দুনা থবক থৌরমশিং তৌবদা য়ান্না য়াংনা তৌবা ঙম্লগনি।

ঙসিদগী হৌদোক্লিবা প্রোগ্রাম অসি ফেস অনী থোক্না পায়খৎকনি। মসিগী মনুংদা অহানবা ফেসকী ওইনা ঙসিদগী হৌরগা থা ১ ফাওবদি মীয়ামগী খুদোং চানবা কেশ অমদি কেশলেস অনীমক্কী খুদোংচাবা পীগনি। অদুবু থা ১ হেক ফাবদগীদি অনী শুবা ফেসকী ওইনা শুপ্পতগী কেশলেস ট্রান্সেক্সনতমক তৌগনি। মীয়ামগী খুদোংচানবা রেভিন্যু দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিদা মীয়ান্নসু শৌগৎপীয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

থৌরম অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সি নাওরেম প্রভিন, রেভিন্যুগী কম্মিস্নার জ্ঞানপ্রকাশ সিংহ অমদি অতৈ মশক নায়বা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# ৱাঙ্গৈাই ম্যুনিসিপালিটিগী চিয়ারপার্সন লৌথোক্নবা নো–কনফিদেন্স মোসন চৎনহনখিদরে

ইম্ফাল,ওগষ্ট ৩০ (এস এন এস)ঃ
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাঙ্গৈাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন লোংজম ববিতাগী মায়োক্তা থা অসিগী ২৭ তা পাঙথোকখিবা নো কনফিদেন্স মোসনগী প্রোসিদিং অদু হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা রিট পেটিসন অসিগী অশেংবা অমা খঙদ্রিবা ফাওবা চৎনহন্দনা থমখ্রে। লোয়ননা কেস অসি ওগষ্ট ২৯ দা অমুক লিষ্ট তৌদুনা পুখৎলক্নবা খঙহনখ্রে।

কোর্টকী ওর্দর অসি মিটিং অদুনা পাঙথোকখিবা প্রোসিদিংগী মায়োক্তা চেয়ারপার্সন লোংজম ববিতা অমসুং কাউন্সিল অসিগী কাউন্সিল্লর থৌদাম ইনাওতোন লৈমনা জেইন্ট পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমগী হিয়ারিং চখরবা মতুংদা পীখিবনি। পিটিস্নর অনীগী পিটিসন অদুগী নম্বর দব্লিউ পি (সি) নম্বর ৬৯০ ওফ ২০১৯ নি। কেস অসিদা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা য়াওরিবনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কম্মিস্নার (মাহুদ), দিপ্যুটি কম্মিস্নার (ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট) অমসুং এগজিক্যুটিভ ওফিসার, ৱাঙ্গৈাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনি। ওফিসার অহুম অসিনা কেস অসিগী ওফিসার রেস্পোন্দেন্টশিংনি। অদুগা কেস অসিগী প্রাইভেট রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবশিংনা এম দি ইলিয়াজ খান (৩৪) কাউন্সিল্লর ৱার্দ নম্বর ৪, লেংজম ইবোতোন মৈতৈ (৫৪) কাউন্সিল্লর ৱার্দ নম্বর ২, ৱাহেংবম সুশিলকুমার (৪৮) কাউন্সিল্লর ৱার্দ নম্বর ৩, দব্লিয়ু মাসি (৩৯) কাউন্সিল্লর ৱার্দ নম্বর ৮ অমসুং থৌদাম প্রতাপ (৩৪) কাউন্সিল্লর ৱার্দ নম্বর ১ নি।

কেস অসি ঙসি হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস খ্বায়রাকপম নোবিনগী কোর্টতা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা নোটিশ ইশু তৌখি। রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ১ অমসুং ২ ওইরিবা কম্মিস্নার (মাহুদ) অমসুং দিপ্যুটি কম্মিস্নার (ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট) কী নোটিশশিংদি মখোয়গী মায়কৈদা লেপখিবা গভর্ণমেন্ট এদভোকেটনা এক্সেপ্ট তৌখি। অদুগা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ৩ দগী ৮ ফাওবগীনা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী স্পিদ পোষ্টতা থাননবা কোর্টনা খঙহনখি। লোয়ননা কোর্ট অসিনা মরক্কী ওইবা পীখিবা ওর্দর অমদা থা অসিগী ২৭ তা পাঙথোকখিবা চেয়ারপার্সন লোংজম ববিতাবু মায়থীরে হায়খিবা নো–কনফিদেন্স মোসনগী স্পেসিয়েল মিটিংগী থবক থৌরমশিং হৌজিক কোর্ট অসিদা লৈরিবা কেস অসিগী মতুং ইন্না লেপকদবনি হায়না খঙহনখি হায়রি।

পিটিস্নর অনীগী মায়কৈদগী কোর্ট অসিদা ৱাকৎলকখিবনা ৱাঙ্গৈাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওইনা চৎলিবা চহী ২০১৬–২০২১ গী ওইনা ৱার্দ নম্বর ২ গী কাউন্সিল্লর লোংজম ইবোতোন মৈতৈবু অহানবা চেয়ারপার্সন ওইনা খনখি। অদুবু মহাক্কী মতমদা কাউন্সিলগী প্রোপর্টিশিং মিসপ্লেস তৌবা অমসুং কাউন্সিলগী থবক থৌরমশিংদা ইরিগুলরিটিশিং থোরকপদগী থা ৪। ৫ গী মনুংদা মহাক্কী মথক্তা লাকখিবা নো–কনফিদেন্স মোসন অমদা মহাক মায়থীদুনা কাউন্সিল অসিগী চেয়ারপার্সন খাইদেম মেন্মনা ওইখি হায়রি। অদুবু মহাক্কী মথক্তসু নো–কনফিদেন্স মোসন অমা লাকপদগী লোংজম ববিতাবু কাউন্সিল অসিগী অহুমশুবা চেয়ারপার্সন ওইনা খনদুনা মসিগী থবক থৌরমশিং পাঙথোরক্লিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক মহাক্কী মথক্তসু নো–কনফিন্সে মোসন অমা লাকপদগী মমাঙগী কুমজা ২০১৮ গী ওগষ্ট ১০ গী অয়ুক পূং ১১ দা দিপ্যুটি কম্মিস্নার, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কোর্ট রুমদা পাঙথোকখিবা অসিগী স্পেসিয়েল মিটিংদা মহাক্কী মায়োক্তা লাকখিবা মোসন অদু মায়থীখিবদগী মহাক্না মখা তানা চেয়ারপার্সনগী ফম পুদনা লাকখিবনি হায়রি।

চৈরকসিদা থা অসিগী ১৭ তা কাউন্সিল অসিগী এগজিক্যুটিভ ওফিসারনা থোকখিবা নোটিশ অমগী মতুং ইন্না পূন্না কাউন্সিল্লর মাপল লৈরিবা কাউন্সিল অসিগী কাউন্সিল্লরশিংগী মনুংদগী মঙানা রিক্কিজিসন নোটিশ অমা ফাইল তৌরকপগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা নো–কনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎলকপদগী মসিগী স্পেসিয়েল মিটিং থা অসিগী ২৭ কী নুমিৎ য়ুংবা মতুং পূখ্রায় চৎপা মতমদা প্রিসাইদিং ওফিসার / দিপ্যুটি কম্মিস্নার, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কোর্টতা পাঙথোকখিবনি হায়রি। অদুবু পাঙথোকখ্রিবা নো–কনফিদেন্স মোসন অদু মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ এক্ট ১৯৯৪ গী সেক্সন ৩১(২) না পীরিবা প্রোভিজনশিং থুগায়দুনা নম্ফুদা পাঙথোকখিবনি হায়দুনা কোর্ট অসিদা ৱাকৎলকখিবনি। লোয়ননা স্পেসিয়েল মিটিং অদু পাঙথোক্নবগীদমক এগজিক্যুটিভ ওফিসারনা ওগষ্ট ১৭ তা থোকখিবা নোটিশ অমসুং থা অসিগী ২৭ তা পাঙথোকখিবা নো–কনফিদেন্স মোসনগী স্পেসিয়েল মিটিং প্রোসিদিং অদু চৎনহনবীগনু হায়দুনা কোর্ট অসিদা ৱাকৎলকখিবনি। কেস অসি পিটিস্নরগী মায়কৈদা এদভোকেট অসেম মোহেন্দ্রোনা লেপখি।

# জে এ সি অমদি ইমুং মনুংদা অৱাবা পীবিগনু, সি বি আইদা শিন্নদ্রিমখৈ ষ্টেটমেন্দ পিররোইঃ তোমচৌ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০(এস এন এস)ঃ
বেবিসনা মীশিগী অচুম্বা লংলা–লংজিল পুথোকপিয়ু হায়দুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা জে এ সি অমদি ইমুং মনুংদা ঙাইহাক লৈতনা পুলিসনা অৱাবা পীবগী থবক অসি তৌবিগনু, কেস অসি সি বি আইদা শিন্নদ্রিবা মখৈ ষ্টেটমেন্দ অমুক হন্না পীররোই হায়না লৈখিদ্রবগী বেবিসনাগী অপোকপা নিংথৌজম তোমচৌনা ফোঙদোকখ্রে।

থাংমৈবন্দ মৈস্নাম লৈকাইদা লৈবা বেবিসনাগী ময়ূমদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা বেবিসনাগী অপোকপা তোমচৌনা হায়, ঐগী ইচানুপীনা লৈখিদ্রিবা মওংদা চিংনবা লৈবদগী জে এ সি অমা শেমদুনা ইচানুপীগী মীশি অসিগী অচুম্বা লংলা–লংজিল পুথোকউ হায়দুনা নুমিৎতুদগী ঙসি ফাওবা থা অমগা নুমিৎ ১০ রোম হেনবসি খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। অচুম্বা লাংলা–লংজিল পুথোকপিয়ু হায়দুনা তুম্বা চাবা খঙদনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা জে এ সিগী মীহুৎশিংবু ফারগা জেলদা থম্লীরি। হৌজিক মীওই ১৫ জেলদা লৈরি। মসিগী মনুংদা জে এ সিগী কো কনভেনর লৈশাংথেম প্রতাপ থা অসিগী ৭তগী চরা হেনবগী খোঙজং জেল মনুংদা চঙশিনখিবদগী হৌজিক নোস ফিদ্দিং তৌদুনা লৈরি। অসিগুম্বা তানজা অসিদা হৌজিক অমুক জে এ সিগী এদিম্লেল ওইনা শেমখিবদা য়াওরিবা মেম্বরশিং অমদি অমুক হন্না পোষ্ট মোর্টেম তৌবদা ইমুং মনুংগী মীহুৎ ওইনা য়াওখিবা ডোক্তরবুসু পুলিসনা কোইতান তান্নদুনা ফানবা হোৎনরি। মসিগুম্বা পুলিসকী থৌওং অসি য়ানিংদে, মতুংদা অমুক হন্না তৌবীগনু হায়খি।

মহাক্না হায়, হন্দক পাঙথোকখিবা এসেমব্লিগী মীফমদা কেস অসি সি বি আইদা শোয়দনা শিন্নরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরগা থাংমৈবন্দগী এম এল এগা য়ান্নখিবা লৈ। মরম অদুনা কেস অসি সি বি আইদা থা অসিগী ৩১ফাওবগী মনুংদা শিন্নরগা মদুগী চেচাং জে এ সিদা ফংহল্লু। চে চাং অদু ফংহন্দ্রবদি থা অসিগী ২গী মণিপুর পুম্বদা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌরগনি হায়না জে এ সিনা লাওথোকখিবা অদু ইমুং মনুংনা ইনশিল্লগা কৌহনখিবা নত্তে। জে এ সিনা লেপচরকপা ফিরেপনি হায়খি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক ১১ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিম্লেল এস পি এ জি সর্মা লাক্লগা মহাকপু থিবা যূমদা লাকখি। মহাক মশামক্তি যূমদা লৈখিদে, ইমুং মনুংদা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট লৌবা লাকপনি হায়রম্মি। অদুবু মহাক্কী মায়কৈদগীদি মমাংদা অনীরকপা ষ্টেমেন পীখ্রে, মখা তানা করম্বা ষ্টেটমেন্টনো পাম্লিবসি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টদা থাজবা লৈত্রে। মরম অদুনা কেস অসি সি বি আইদা শিন্নদ্রিফাওবদি এ আই টিদা ষ্টেটমেন্ট পীররোইনা হায়না তোমচৌনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# খুন্নাই অমা শেমদোকপা অমদি চাওখৎহনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং চঙই ঃ এন জি উত্তম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০(এস এন এস)ঃ
খুন্নাই অসি কাং–খোং চাইনবগী মমি অমা মীপুম খুদিংমক্না উরিবা অসি শেমদোকপা অমদি খুন্নাই অসিনা চাওখৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং চঙই হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী সোসিয়েল ৱেলফিয়ারগী ডাইরেক্তর ঙাঙোম উত্তমনা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ ইষ্ট বাইওগ্রাফি ফোরম (এন ই বি এফ) না শীন্দুনা সোসিয়েল ৱার্কতা ডোক্তরেট দিগ্রি পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রবা ফোরম অসিগীসু লাইফ মেম্বরসু ওইরিবা নেসনেল অমদি ইন্টর্নেসনেল এৱার্দ ৱিন্নর ডা. কে ঐচ চিংলেন ওকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মথক্কী ৱাফম অসি এন জি উত্তমনা ফোঙদোকখিবনি।

ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়খি, মতম অমদা লাইনিংগী মিংদা খুন্নাই অসিদা মীপুম খুদিংমক্না থক খা খঙহন্নবগী চৎনবী অমা লৈরম্মী। হৌজিক্কী মতম অসিদদি শেম্বীবা মপু থাজবগী চাং য়াম্না হন্থরকপগী মমি অমা উরক্লি। মতম অমদা লৈরম্লিবা অসিগুম্বা থকসি খাসি লৈহন্নবা হোৎনবগী চৎনবী অসি হঞ্জিলক্নবা হোৎনবদা হৌরক্লিবা নহাশিং অসিদা লাইনিংবা তম্বীবা মথৌ তারক্লি। লমদম অসিদা খৃষ্টান অমদি ইস্লাম লাইনিং চৎপা ইচিল ইনাওশিংনদি চয়োল অমদা নুমিৎ অমা কাইথোক্তুনা মখোয় মশেল পুন্দুনা লাইনিংগী ওইবা থবক পাঙথোক্লি। ঐখোয়গী ওইনসু চয়োল খুদিংগী নৎত্রবসু লাই হরাওবা মতম খক্তদা লাই খুরুম্বগী মহুত্তা তোয়না লাইনিংবা অমসুং খুরুম্বা অকায়বা লৈতে। উমং লাই নৎত্রগা খুল খুল অদুবু কোল্লিবা ইবুধৌ ইবেনধৌ খুরুম্বগা চৎনবী অমা হৌদোকপা ফৈ।

খুন্নাই অসি মতম অমদা হিন্দুইজমতা তাওরুরগসু মতম অদুদগী হৌনা ঐখোয়গী ওইবা নুংতিগী অয়ুক নুমিদাংগী লাই নিংবগী চৎনবী লৈরক্তবা নত্তে। অদুনা য়ুম অমগী য়ুম্বুরেম্বীনা য়ুমগী লাইনিংথৌ লাইরেম্বী খুরুম্বদা মখোয়গী মচাশিংগা লোয়ননা খুরুম্বগী চৎনবী লৈহন্নিংই। লোয়ননা লাইনিংথৌ লাইরেম্বীগী পাউতাকশিং লাইরিক ওইনা ফোঙলগা হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংদা তম্বীবগী মতম য়ৌরে।

খুন্নাই অমদা শুবা নোম্বা কনবা, পুকচেল শেংনা হিংবা অমসুং মীগী মরল তোন্দ্রবা লৈকাই লৈকাইগী মীশক খুদিংমক ঙসিগী অসুম্না মখোয়বু মশক খঙবা উৎপগা লোয়ননা ইকায় খুম্নফম থোকই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা নোর্থ ইষ্ট বাইওগ্রাফি ফোরমগী চীফ পেট্রোল আর কে নয়নসনা,ফোরম অসিগী পেট্রোল নুঙকাংবম খুমন অমসুং কিরন য়েঙ্গে দ্রম্বমনা মথংশিংনা প্রেসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা সোসিয়েল ৱার্কতা ডোক্তরেট দিগ্রি ফঙলকখ্রবা ফোরম অসিগীসু লাইফ মেম্বরসু ওইরিবা নেসনেল অমদি ইন্টর্নেসনেল এৱার্দ ৱিন্নর ডাঃ কে ঐচ চিংলেনদা খুদোল পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

# রোমেশ হাৎখি হায়বা লিমেন কৈশুমশঙ য়ৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (এস এন এস)ঃ
লংথবাল মন্ত্রিখোঙ অৱাং লৈকাইদগী খাগেম্বম রোমেস (৪০) কৌবা মীওই অমগী মবুক্তা থাঙনা থিন্দুনা হাৎখিবা লংথবাল মন্ত্রিখোং অৱাং লৈকাইদগী অরাম্বম লিমেন এলাইজ বুংচা (৩৪) অপোকপগী মিংএ শান্তবীর ঙসি চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফালগী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং সেপ্তেম্বর ১৩ ফাওবা নুমিৎ ১৫ নি জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ পীখ্রে।

মীশি অদুগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা রোমেসকী ময়াম্বা কে ঐচ নেত্রজিৎনা থৌদোক থোকখিবা ওগষ্ট ২৬ নুমিৎ অদুমক্তদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট অমা তৌরকপগা লোয়ননা পুলিসনা লিমনে এলাইজ বুংচা ফাখিবনি। মথংগী নুমিৎ ওগষ্ট ২৭ তা দ্যুটি মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টতা পুথোক্তুনা নুমিৎ ৫ নি পুলিস কষ্টদিদা থাজিনখিবনি। রিমান্দগী মতম অদু লোইখিবগা লোয়ননা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চখনবীদমক্তা নুমিৎ ১৫ নি জুদিসিয়েল কষ্টদি পীনবা পুলিসনা থাখিবা এপ্লিকেসন অদুগী মতুং ইন্না কোর্টনা নুমিৎ ১৫ নি জুদিসিয়েল কষ্টদি রিমান্দ পীখিবনি।

কেস অদুগী আই ও না থাগৎখিবা রিপোর্ট অদুনা পাল্লিবদি পুলিস ষ্টেসনদা থারকখিবা কমপ্লেন্ট অদুগী মতুং ইন্না হৌখিবা ওগষ্ট ২৬ কী অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবা মতমদা লিমেন্না লৈখিদ্রবা কে ঐচ রোমেশগী ময়ূমদা লাক্তুনা খৎনবা চৈনবা থোকখি। রোমেশকী অপোকপীনা মখোয়না খৎনরিবা অদু খামদোক্নবা হোৎখি। অদুগী মথংদা লিমেননা মফম অদু থাদোক্তুনা চেনখিদুনা রোমেসনা তান্নরুদা লংথবাল মন্ত্রিখোংঅৱাং লৈকাইদা লৈবা নোসনস ইমানসিপেটোর ক্লব মপা য়ৌরকপদা খঙহৌদনা লিমেননা রোমেশতা থাঙনা থিল্লকখিবনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা শোক্লবা রোমেশ রিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নবা নংদনা লৈখিদবনি।

মখা তাবা ৱাহং পাউহং চখনবা হৌখিবা ওগষ্ট ২৬ কী অয়ুক পুং ১১ রোম তাবা মতমদা একুযজ অদু নম্বুল তুরেল অমদি পাইপ থোং মনাক্তা লৈবা লংথবাল মন্ত্রিখোং অৱাং লৈকাইদা হৌবা উপাল অমগী মখাদা তুমদুনা পোথাখি। মহাক্না তুম্লিঙৈদা লৈখিদ্রবা রোমেশনা ‘হয়ুম শিদবা’ হায়না খোঞ্জেল হৌনা লাওশিল্লগা চেনখিবনি। তুম্লম্বা ওইবনা মহাক খঙবগা লোয়ননা অকিবা অমা পোকখিবদগী অশাওবা অমগা লোয়ননা রোমেশকী ময়ূমদা করিগী লাওশিল্লম্বনো হংবা চৎলুবদা নিঙাই শংদানখিবনি। রোমেশকী মমানা মখোয়বু খামদোক্নবা হোৎনখি লোয়ননা যূমগী য়েনখাদা লৈরম্বা থাঙ অমনা একুযইজ অদুনা রোমেশতা থাঙনা থিনখিবনি হায়না খঙবা ঙম্লে হায়না মখা তাখি।

# খুদোংচাবা ফংদনা লৈরিঃ এল শান্তি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০(এস এন এস)ঃ
লম্লাই এশেমব্লি কনষ্টিটুসনগী মনুংদা লৈবা লম্লাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা কোনবা নাপেট পল্লিগী লৈকাই অহুমদা ঙসি ফাওবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমা ওইবগী ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিং মপুং ফানা ফংদনা লৈরিবা হায়না নাপেট পল্লি মৈরা পায়বী লূপকী সেক্রেটরী এল শন্তিনা ফোঙদোরক্লি।

লম্লাই কেন্দ্র দিভবলেমন্ট কম্মিটিনা শিন্দুনা এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক পায়খৎলিবা থবকশিংগী শরুক অমা ওইনা নাপেট পল্লিগী লৈকাইশিংদা কম্মিটি অসিনা ঈশিং পীবগা মরী লৈননা মথক্কী ৱাফম অসি এল শান্তিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, নাপেট পল্লিগী এরিয়া অসি ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ওইজরবসু টৌতি ঈশিং শিজিন্নবা ফংদনা লৈরি। হন্দক এ সি অসিগী মফম অয়াম্বদা পাক শন্ননা ঈকং থোকপনা মরম ওইরগা থক্নবা ঈশিংগী চাওরবা অৱাবা অমা মায়োক্নরি। হিরম অসিগী মতাংদা কনর্সন এম এল এগী মায়কৈদগী মীৎয়েং চংবসু লৈতে। হৌজি কশু কেন্দ্র অসিগী লৌবুকশিংদা ঈকং থোকপগী অৱাবা চাওনা মায়োক্নরি। মসিগী মথক্তা থৌবাল দাম চৎপগী মরুওইবা লম্বীদা লৈরিবা নাপেট পল্লি কলিকা থোং হায়না খঙনবা থোং অসি তেক্তুনা লৈবা চহী য়াম্লক্লে অদুবু ঙসি ফাওবা শাবিদনা লাক্লি। মরম অসিনা মীয়ামনা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাবা কয়া অসি অথুবা মতমদা মণিপুর লৈঙাক্না চপ চাবা মীৎয়েং চঙদুনা অৱাৎপশিং অসি মেনশিবিয়ু হায়খি।

# লম্লাই এরিয়াদা ইথৈ লৌখোংগী ঈশিং পীদ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি ঃ টম্লাদো

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০(এস এন এস)ঃ
থৌবাল মলটিপরপজ প্রোজেক্ট অসিনা লোইশিল্লকপদা লম্লাই এরিয়াদা ইথৈ লৌখোঙগী ঈশিং পীদ্রবদি লৌমীশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না থৌবাল মলটিপরপজ প্রোজেক্ট নেক্লেটেদ এরিয়া এগ্রিকলচরেল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (টম্লাদো) না ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী মেজোর খুনদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ওর্গনাইজেসন অসিগী সেক্রেটরী টেলেম দারানা হায়খি, লম্লাই মায়কৈগী ওইবা ইথৈ লৌখোংগী মরমদা ওর্গনাইজেসন অসিনা কুমজা ২০১৬ তগী ঙসি ফাওবা লেপ্পা লৈতনা ঈশিং মরাং কায়না ফঙহন্নবা মতম মতমগী লৈঙাক্তা তরুন্দুনা লাক্লি। লম্লাই মায়কৈগী ওইনা লৌ পরি ১২১৪০ গী লৌফম ঈশিং ফঙদবনা মরম ওইরগা চহী কয়াগী মমাঙদগী লৌ পানবা য়াদনা লাক্লি। চহী অসিগী ওইনসু লৌফমশিং অসি ঈশিং ফঙদবনা মরম ওইরগা লাংবন থা য়ৌরক্নবা ফাওবদা লৌফম অসিদা থারিবা ফৌশিং ইঞ্চি অহুম মরিদগী হেন্না ৱাংদনা লৈরি।

লমদম অসিদা নোং। মরাং কায়না চুদবনা মরম ওইরগা ঈশিং ফঙদবদগী লৌ পানবা য়াদনা লৈরিবা লৌফমশিং অসি লৈঙাক্না লৌ পানবা য়ানবা ঈশিং চিংনবা পম্প সেট কয়া য়েন্থোক্নবসু মায়কৈ অসোমগী ওইনদি ঈশিং চিংননবা ছোর্স ফাওবা লৈতে। মরম অদুনা থৌবাল মলটিপরপজ প্রোজেক্ট অসিনা লম্লাই মায়কৈ ফাওদুনা পুরগা থৌবালরোমদা ঈশিং মরাং কায়না ফঙহন্দবা তারবদি মীয়াম্না পেন্নরোই। মরম অদুনা প্রোজেক্ট অসিদগী মতম শাংনা লম্লাই মায়কৈদা লৌ পানবা য়াদনা লৈরক্লবা লৌফমশিং অসি ইথৈ লৌখোং নীংথিনা শেমদুনা ঈশিং ফঙহন্নবা হোৎনহৌদবা য়াদবা অমা ওইরে। করিগুম্বা প্রোজেক্ট অসিনা লোইশিল্লকপদা মায়কৈ অসোমগী ওইনা ইথৈ লৌখোংগী ঈশিং মতিক চানা পীবিদবা তারবদি মশিং য়াম্লবা লৌমীশিংনা মখোয় মখোয়গী লৌ উবদা শিজিন্নরিবা খূৎলাইশিং থাদোক্তুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্কনি। মসি ফাওবদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙদবা তারবদি হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ষ্টেট লেভেল দিবেটিং কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০(এস এন এস)ঃ
কোলিসন ফোর ইন্দিজিনস রাইটস কেম্পেইন (সিরকা) না শীন্দুনা সেপ্তেম্বর ২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল রিপেন্টেন্স দে থৌরমগী মাঙওইননা ৪ রক শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন দিবেটিং কম্পিটিসন সেপ্তেম্বর ১৯ দা দি এম কলেজ ওফ সাইন্সকী সেন্ট্রেল হোলদা পাঙথোক্লগনি।

সিরকা য়ুঠ ফ্রন্টকী কনভেনর এন ইদিসন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, দেবেটিং কম্পিটিসন অসিগী ওইনা ‘মণিপুরনা প্রি মেজর পোলিটিকেল ষ্টেটসতা হঞ্জিনবা ঙম্লবা মতমদতা মণিপুর– ইন্দিয়া কনফ্লিক্টকী ৱাখৈনবা ঙমগনি’ হায়বসিনা হাউসকী মোসন ওইদুনা পাঙথোক্কনি।

দিবেটিং কম্পিটিসন অসি মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ফিস্বালনুংদা তিনদ্রিঙৈ হায়বদি ইং কুমজা ১৯৪৭–৪৯ ফাওবগী মরক্তা থোকখিবা খুন্নাই অসিগী মায়ওন ওলহনখিবা থৌদোকশিং মীয়ামদা খঙহন্নবা পানদমদা চঙশিনবা খোঙজং অসিগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্কদবনি।

কম্পিটিসন অসিগী মকোক মথং অমদি অহুমশুবদা লৈবা কম্পিটিটরশিংদা মথংশিংনা লুপা লিশিং ১০, লিশিং ৭ অমদি লিশিং ৫ গী শেলগী মনা পীগনি। লোয়ননা ৪ শুবগী ১০ শুবদা ফাওবদা লৈবশিংদসু কন্সোলেসন প্রাইজ পীগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# অমনবা ৱাফমনা লৈঙাকপু মশক থিহল্লোইসি ঃ মিনিষ্টর করাম শ্যাম

ইম্ফাল,ওগষ্ট ৩০ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা হান্ননা পুথোক্তুনা ঙাঙনখ্রবা, হাউসকী মেম্বর কয়ানা হংলকপা ৱাহংগী পাউ–খুমদা নৈনদুনা লোইখ্রবা অমনবা ৱাফম কয়া হৌজিক্তা মীয়াম মমাঙদা পুথোক্তুনা ঙাঙ শক্তুনা লৈঙাকপু মশক থিহন্নবা হোৎনরোইসি হায়না সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর কে শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মিনিষ্টরগী সঞ্জেন্থোংদা লৈবা ক্বার্টরদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, লৈঙাক অসিদা চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিংনা মখোয় মখোয়গী লৌফম থোকপা থৌদাং লৌরগা থবক তৌদুনা লাক্লি। মসিদা লৈঙাক অমদা য়াওবা মিনিষ্টর অমবু মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনবগী মওংদা চখরকপা অসিনা লৈঙাক অসিবু মশক থিহল্লি হায়বসি খঙবীবা চংই।

অমনবা ৱারীশিংনা ইনৌ নৌনা পুথোক্লগা ঙাঙ শকপা অসিনা লৈঙাকপু মশক থিহল্লে। লৈরিবা লৈঙাক অসি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লি, এন দি এগী লৈঙাক্লি। ওপোজিসননা হায়নিংনা খঙনিংবা লৈবদা হায়বদা করিসু কায়দে।

মীয়ামদা মীনম শোরি তৌরগা, অরানবা তৌরগা মীয়ামগী চাকথুং মৎলগা মিনিষ্টর ওইগে হায়না খনবা লৈতে। মদুগুম্বা তৌগদবা মিনিষ্টরসু নত্তে। মণিপুর মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা মিনিষ্টর ওইনা থবক তৌবনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না পি দি এসকী পোৎলমশিং পীরবসু নফসাগী চেঙ অমসুং এস কে ওইল নত্তনা সবসিদি পীবা লৈতে। আইটেম ২৮ দি লৈঙাক্না মার্কেটকী প্রাইজদা লৈজরগা মীয়ামদা পীথোকপা য়াওবনি।

লুপা ৪৫ পীবা চিনি অসি কৈথেলদগী লৈরে হায়না লৌরগা লুপা ১৮.৫০না সেন্টরনা সবসিদি পীরবা অদুগা লুপা ২৬.৫০ অসিনা লৈঙাক্না পুথোক্লগা মীয়ামদা য়েনবা তাবনি। মরমদি চিনিদা সবসিদি পীবা তোকখ্রে।

লৈঙাক্না পোৎচৈশিং অসি এফ সি আইদগী লৈবদা সবসিদি ফংদবা অমসুং বদজেটতসু শেল লৈতবনা লৈদবনি। এম পিনা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টত কন্না হোৎনবীদুনা পোৎলমশিং অসিগী সবসিদি অসি সেন্টরদা পীহনবিবা নৎত্রগা লৈঙাক অসিবু লুচিংলিবা চীফ মিনিষ্টরদা হায়বিদুনা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা শেলনচিংবা হাপ্পীরবদি কৈথেলগী লৈরগা মীয়ামদা ফংহনবা য়াবনি। মরমসি লৈবনা সবসিদি ফংবা পোৎলমখক্তমক লৈরগা মীয়ামদা ফংহনবনি হায়খি।

## পব্লিক সেক্টর বেঙ্ক ...

*লমায় ১গী মখা* ... হায়না ফোঙদোক্লি। মসি য়ান্না কুইনদগী ঙাইরক্নবা বেঙ্ককী মপাঙ্গল কন–খৎহন্নবা অমদি থবক থূৎতৌ ফগৎহন্নবা অচুম্বা মায়কৈদা থাঙজিল্লিবা খোঙথাংনি হায়না দেবেন চোকসে ওফ ৱেলথ মেনেজমেন্ট কম্পেনিগী ইনভেষ্টমেন্ট মেনেজর কে আর চোকসেনা ফোঙদোক্লি।

## রেনু হেগুলুমগী...

*লমায় ১গী মখা*... হাংদোকপগী থৌরম অদু এন সি দি সি (নোর্থ ইষ্ট) চীফ দাইরেক্তর অঞ্জনিকুমার শ্রীভাষ্টবসু শরুক য়াখি। অয়ুক্কী পূং ১১ তাবদা নৌনা হাংদোকপা রিটেল আউটলেট অদুগী রিবল লোক সভাগী এম পি, ডা আর কে রঞ্জননা ককখি।

নৌনা হাংদোক্লিবা রিটেল আউটলেট অসিদা মালেমগী মফম কয়াদগী লৈননবগীদমক অমাজোনগী খূত্থাংদা ওর্দর তৌরকপদা য়াওবা কৌনাগী লৈতেংশিং, হেন্দিকেপকী অতাংবা পোৎলমশিং, মৈতৈগী তাঙলবা ফিজেৎ– লৈতেংশিং অমসুং মুগা লংনা শাবা ফজরবা মখলগী ফি– রোলশিং য়াওরি।

## মহৈরোই অনী...

*লমায় ১গী মখা* ...শান্নবদা য়াওবা নুপামচা অমসু মশক তাক্লকপদগী নুপামচাদুনা ঐদি করিমত্তা হায়জদে মমান্নবদুনা ৱারী শাবদা পল্লকপনি হায়জরবসু তাবীদনা মহাকপুসু ময়াম মাঙদুদা ফুবীখি হায়রি।

মখোয় অনীবু ফুরবা মতুংদা মখোয় ক্লাস য়াওদনা হল্লকখি। মহৈরোই অমদি ময়ূমদা চঙদুনা থৌদোক অদুগী পাউ তমখি। অদুবু অকোনবা ফুবা মহৈরোই অদুদি ইকায়বদগী ময়ূমদা চঙদনা মমান্নবগী ময়ূমদা লৈরুবদগী কোইথি থিনখি হায়রি।

## ফেক এনকাউন্টরদা...

*লমায় ১গী মখা*...
ৱিনেসশিংগী ৱারোলগী তৈনা ওন্নবদা ২০০৬ কী নবেম্বর ১৩ গী নুংথিল পুং ১৩ রোম তাবা মতমদা আইন্না য়াদবা লানহৌলূপশিং চৎথোক চৎশিন তৌরে হায়বগী পাউ অমা ফঙবদগী খুরাই চাইরেনথোংদা লৈবা এন জি মনি কলেজগী মনাক্তা অচৎ অওকশিং চেক তৌখি। মতম অদুদা মীওই ৮ তোংদুনা লাকখিবা মারুতি ভেন অমা খামদুনা চেক তৌনবা হোৎনরিঙৈদা এন বিনোয়না পুলিস পার্সোনেল অমদি নোংমৈ মুন্নবা হোৎরকপদগী মুক্নবদা টি ঐচ হেরোজিৎনা নোংমৈ রাউন্দ ৫ মহাক্কী সার্ভিস পিষ্টোলনা কাপ্পদা বিনোয় লৈখিদবনি। লোয়ননা মহাক প্রিপাক্কী সেলফ ষ্টাইল সর্জননি হায়বা খঙবা ঙমখি হায়না লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী সব ইন্সপেক্তর কে ঐচ ইনাওনা রিপোর্ট ফাইল্দ তৌখিবনি।

## শ্যামকুমারগী দিসক্বলিফিকেসন...

*লমায় ১গী মখা*...
মেঘচন্দ্রনা পিটিস্নর ওইদুনা স্পিসিয়েল লিভ পিটিসন (সিভিল) কেস নম্বর ১৮৬৫৯। ২০১৯ অসি হায় কোর্টদা ফাইল তৌরকখিবনি।

কেস অসিদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরনা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ১, সেক্রেটরী টু মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ২ অমসুং মিনিষ্টর ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট, মাহুদ, টাউন প্লানিং থৌনাওজম শ্যামকুমারনা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ৩ শুবা ওইনা য়াওরিবনি।

মসিগা মান্নবা স্পিসিয়েল লিভ পিটিসন অমসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজমেন্ট অদুবু শিংনরদুনা ওগষ্ট ৫ দা ৱাবগাই এ সিগী এম এল এ এম দি ফজুর রহিমনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা থারকখি। মদুদসু রেস্পোন্দেন্ট ওইনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর, সেক্রেটরী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অমসুং মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবনি।

## হকশেলগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা...

*লমায় ১গী মখা*... লৈনবশিংনা পুন্না চংশিনমিন্নসি হায়খি।

ষ্টেট মিসন দাইরেক্টর ডা. এস মনিকান্তনা হায়, মোবাইল লা–বাইক অসি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা পি ঐচ সি ৮৫দা পীগদবনি। মমাঙদা ৬৪ য়েন্থোকখ্রবা মতুংদা ঙসি ২১ য়েন্থোকপা অসিনা পুরা শুরে হায়খি।

লা–বাইক অসিদা মীয়ামদা কমপ্রিহেন্সিব ওইবা হকশেলগী খুদোংচাবা পীবা ঙম্লগনি হায়না লৌই হায়খি। হেল্থ সেক্টরদা শেল থাদবা অসিনা কান্নবা উনদবনা মসি অরেম্বদা শেল থাদবনি হায়না লৌই। অদুবু মসি তৌদ্রবা য়াদ্রবা অমা ওইরি।

অথাপ্পা খুঙ্গংগী লমদা লৈরিবা হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা মায়োক্নরিবা অসি চৎথোক চৎশিনগী খুদোংচাদবা অসিনি। লেম্না দাইগনোষ্টিক টেষ্টশিং চখবা, লেম্না হিদাক ফংহল্লবা মতমদা খুঙ্গংগী লমদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক অসিনা পুরিবা পোৎলুম অসি কোকহনবা ঙমগনি। মীয়ামদা লেবোরেতোরিগী খুদোংচাবা অসি ফংহন্নবা হোৎনবদা পি ঐচ সি ফাওবগী থাক্তা ফংহন্নবগী লম্বী অমা মিনিষ্ট্রিনা শেমগৎলকপা অসি থাগৎলি হায়খি।

মসিগী সর্ভিস অসিনা মপুং ফানা মীয়ামদা কান্নবা পীবা ঙম্নবদি নেসনেল হেল্থ মিসন অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী আয়ুসমান ভারতকী মখাদা কান্নবা পীবা ঙম্লগনি হায়খি। দাইরেক্টর হেল্থ সর্ভিসেস ডা. কে রাজোনা হায়, প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর হায়বসিনা সিটি এরিয়াদগী লাপথোক্না লৈবা লায়েংশঙ ওইরিবনি।

অনৌবা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর অসি থারগা ষ্টেট অসিদা পুন্না প্রাইমারি হেল্থ সব সেন্টর ৪২১ লৈরি। লা–বাইক অসিনা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকপা মতমদা মসি শিজিন্নরগা সেম্পলশিং চাংয়েং তৌবা য়ারগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মিনিষ্টরনা সি এম ওশিং নৎত্রগা এম ও ইন চার্জশিংগী খুত্থাংদা লা–বাইক অসিগী চেঙ অমসুং শো ৎশিন্নখি।

## ‘ঈকং থোক্লে ...

*লমায় ১গী মখা* ...পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা মীওই ১,৫০০ রোমনা চীফ মিনিষ্টরগা উন্নখি। লোয়ননা ৱাকৎ ৪৫০ রোম তাখি।

থৌরমদুদা তোঙান তোঙানবা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংনা শরুক য়াদুনা লাক্লিবা মীয়ামগী ৱাকৎশিং অদুবু সেল্ব তৌবদা মতেং পাঙখি। চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ (সি এম ঐচ টি) অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী শোখ্–রবশিংগী তেংবাঙ (সি এম এস টি) কার্দনচিংবশিং পায়দ্রিবা মীওইশিংগী কার্দ শাহনখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা চাউরাক্না ১,৪০০ রোম য়েন্থোকখিবা উ চারাশিং অদু মরু ওইনা য়েলহৌ উ চারাশিং হায়বদি চোর্ফোন, মনাহি, হৈক্রু অমসুং য়োংচাকনচিংবশিংনা নন্না ওইখি।